# তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌ শাফোংলে - ৬

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লূৱাং**

**তাইবঙপানসিদা** লৈরিবা তাইবঙ মীশিংনা থেংনরিবা অৱা-নুংঙাই মখল য়ামই। নুংঙাইবশিংগীদি থোয়না খন্ননিঙাই ওইদে। অদুবু অৱা-অনাগীদমক্তদি খন্ননিঙাই মথৌ য়াম্না তায়। অৱা-অনা মখল মান্নবা খরা, মান্নদবা খরনি। মপূং ওইনা মালেমগী খুন্নাইদা থেংনরিবা মরুওইবা অৱাবা মখল খরদি-লায়রবগী (চান-থক্লবা মপূং ফানা ফংদবা), অনা-অয়েক্তগী (ইনাক খুনবা-লায়রবা অনীমক অদুম মান্নবা), মমিৎতা মচা-মশু উবা ফংদবগী (ইনাক খুনবা-লায়রবা অনীমক অদুম মান্নবা) অৱাবা/নুংঙাইতবা, ইমুং অমগীদা মীওই অমা হীরম অমদা ফৎতবা ওইবদগী অৱাবা অসিনচিংবা পনবা য়াই। অনা-অয়েক্কী মতাংদদি চাং নায়না তৌবা য়াবা হকচাং শাজেল, চাগদবা চীঞ্জাক কাঙলোন চুম্না চারগা, য়াহিপ চাকচা-লিচৎ চুল্লবা, মতম মতমগী ওইনা অনা-অয়েক লাকপা য়াবা থিদোকহৌরবদি (হেলথ চেক তৌরবদি) চাং য়াম্না ৱাংনা খুদোংথিগদবদগী থিংবা/ঙাকথোকপা ঙমই হায়বসি হকশেলগী মরমদা খঙ-হৈরবশিংনা হায়নবা ৱাফমশিংনি। অমুকসু নারক্ত্রিঙৈদা থিংহৌবা/চেকশিলহৌবনা নারক্লবা মতমদা ফহন্নবা হোৎনবদগী হেন্না ফৈ। ফৈ-ফত্তে খঙনা খঙনা মতম চানা তৌহৌনবা/পাঙথোক্লবা হোৎনবা ৱাৎপসিমক মীওইবা খুন্নাইগী ওইবা মচৎনি।

লাই থাজবা থাজদবা হায়বা অমসু লৈনৈ। অদুবু থাজবা লাইনীং লাইশোন অমদি লাই অমগী মতিক ময়াইদগী অৱাবা মখল খরদি চাং ফনা য়াম্না হন্থহনবা অমদি ঙাকথোকপা ঙমই। খুদম ওইনা, লাংফম ফত্তবদগী অৱা অনা/অনা-অয়েক য়াওরকপা, লৈত-লায়রগী ফীভম খরা ফগৎহনবা অমদি মচা-মশু ফংদবশিং/লৈতবশিং পরম চুমথোক্লগা ফংহনবা অসিনচিংবনি।

**অনা-অয়েক/লাংফম ফত্তবা ফহনবা:-** ডোক্তর নৎত্রগা মাইবা মখোয়না খঙজবা মওংদা অনাবা ফহনবা ঙমই। ডোক্তর অয়াম্বনা হৌজিক্কী মতমদদি ক্লিনিকেল টেষ্ট কয়া তৌহল্লবা মতুংদা ফংলকপা ৱারোল (রিপোর্ট) গী মতুং ইন্না চান্নবা হীদাক লাংথক নৎত্রগা লায়েং পথাক চত্থরবা মতুংদা ফহনবা ঙমই। মাইবশিংনদি মিহুল, মপান্থোংগী অহোংবা শক্তম য়েংলগা মদুগী চাননবা হৈকৎ-লৈকৎ, অথুম-অহাও কৎতুনা, মখোয়না শেমজবা হীদাক খরা পীজ-পীথক, তৈবনচিংবা তৌরগা ফহনবা ঙমই। অপোক্লোন খঙবা (এষ্ট্রোলোজর) না লাংফম ফত্তববু করি তৌরগা ফগদগে হায়বদুগী মতুং ইন্না কৎফম-তৌফম থোকপা হৈকৎ-লৈকৎ, উশিন, ইরাৎ থৌনিনচিংবা তৌরগা ফহনবা ঙমই। পরম চুম্না মতিক ময়াই লৈবা লাই অমগী লাইপাউ লৌরগা লাংফম ফত্তবা, খূৎশেমগী ফত্তবা মরমশিং/মখলশিং, তিনমু-লাইমু ফত্তবগী চৈথেং ঙাকথোকপা ঙমই। লাইমক ওইরবসু লাইশিংগী মশা মশাগী ওইবা কাঙলোনশিং তোপ্পা অদুম লৈজে। অসুম হায়না লৈনরিবশিংগী মনুংদা খুদম অমত্তং ওইনা লৌখৎচরবদা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী ওইনদি 'রেনা কাম্বা, ঈশিংদা শোল্লগা পিথকপা, তৈবা অসিনচিংবা তৌরগা অনাবা-অৱাবা মখল অয়াম্বা ফহনবিবা ঙম্বসিগীদমক মশু ইবেম্মা লাইশ্রম মমতা চনুনা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌবু হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎচবগা লোয়ননা নুংশিজৈ। অনাবা কয়া ফহনবিখিবগী মতাংদদি মমাঙগী তাঙ্কক অমদা পঞ্জখ্রবনা অমুক নৌহৌনা পঞ্জররোই।

**তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী অহকপা মতিক ময়াইগী খুদম খরা :**

***মচা-মশু পামজবশিংদা/লৈজদবশিংদা মচা-মশু ফংহনবীবা/পীবিবা:*** অনা-অয়েকসু কয়া লৈতবা, শেল-থুমগী ফীভমসু ফবা, ময়াই ওইনা ফবা অদুগুম্বা যূম্বাল্লবা মতৈ মনাও অমদি ইমুং অমদা নুংশিনা মথং মপোক্কী চারা থারম্ববু শিংথানদুনা 'ইচা' হায়না কৌনরিবনি। অমুকসু 'মমা' ওইবীগী ঈ চারগা 'অহিংবা থৱায় পানবা ওইরকই হায়দুনা 'ঈ-চা' হায়বদগী 'ইচা' হায়দুনা কৌনবসি তাইবঙপানসিদা কনাগুম্বা-কনাগুম্বী যূমলেপ চারা তল্লবা-তল্লবী মতৈ-মনাও খরদি মমিৎতা 'ইচা' কৌনবসি অমৎতা (নুপামচাবু ওইগেরা নুপীমচাবু ওইগেরা, শাগৈগী কাঙখুল মুৎতনবা মচানুপা য়াওবা পাম্নবা) উবা ফংলোইদবদগী ফোঙঙমদবা অৱাবা কয়া অমসু লৈতবা/য়াওদবা নত্তে। থিজিন লৌশিং (সাইন্স) গী মিৎয়েংদগী নুপাদা/নুপীদা নৎত্রগা অনীমক্তা মপা নৎত্রগা মমা ওইবা ঙম্বগী ফীভম ওইবা/লৈবা নৎত্রগা নুপী (মমা ওইগদৌবদুনা) না থোয়না অশোয়বা লৈত্রবদি হৌজিক্তদি খূৎশেমগী পাম্বৈনা অঙাং (মচা) ফংহনবা ঙম্বসু লৈরে। ঙমগদ্রা হায়দুনা শেল য়াম্না থাদরগা অদুম কান্নদবসু ময়াওই। মতাং অসিদা ঙমই নৎত্রগা ঙমদে হায়দুনা পাউথোক্তুনা/হুন্দুনা ঙাঙবা হায়বসি অচুম্বা থৌওংনি হায়নীংদে। মরমদি পামজবা পোৎশক অমা ফংবা য়াব্রা য়েংবদা/হোৎনবদা শেল অমদি মতম মাঙবা হায়বসিদি মশানা তাবনি। তৌববুদি শেল অমদি মতম মাঙলগা কান্নবদু ফংলবদি অপেনবা হায়বদুদি ওইগদৌরিবনি। অদুনবু থিজিন লৌশিংলোয়শিংনসু লেপ্পা লৈতনা তোঙান তোঙানবা কাঙলোন/মেথদ/টেক্নিক ময়াম অমা লেপ্পা লৈতনা পুথোক্লবা হোৎনরবা মতুংদা ৱানা পুথোক্লরক্লিবসিনি। মসিনা লাইগা পাঙখকনবা থিজিনলোয়শিংগী ৱানি।

মসিদগী পুংতোপ তোপ্পা মওংদা লাইনীং লাইশোন কয়াগী থাজবা লাইশিংদা থৌনিজরগা হান্না মমিৎতা 'ইচা' কৌবসি উবা ফংঙমদবা কয়া অমসু মচা ফংনবা য়াওরি। মথক্তা হায়খিবগুম্না হোৎনরগা কান্নদবসু য়াওরল্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। অদুবু খুদম অমতং ওইনা পঞ্জরবদা তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী অঙকপা মতিক ময়াইদগী ইপুধৌ লাইশ্রম মমতা চনুনা তোঙান তোঙানবা থৌওং কয়া তৌবদগী মমিৎতা মচা উরমদ্রবা, উবা ৱারবা কয়া অমগী মমিৎতা মচা উহনবিখিবগী মরমদা মতৈ-মনাও অহুমদংগী মরমদা শন্নপ্পা পাউদমজরক্কে।

অহানবা মমিদা পাউদমজগদৌরিবসি কৈশাম প্রেমকুমার সিংহ অমদি কৈশাম ওংবী বেমবেম দেবী, খোংমন পার্ট ফাইভতা লৈবসি মচা ফংলরোইদ্রা হায়না লৈরম্বদগী তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী পাউজেল্লোই ওইরিবী ইপুধৌ লাইশ্রম মমতা চনুগী মনাক্তা লাক্লগা ইপুধৌ খুমনদগী থৌজাল ললকুবিনবা থৌনিজবদা ইপুধৌ মমতা চনুনা ইপুধৌ খুমনগী মতিক ময়াইদগী 'ফজরবা নচানুপা অমা ফংজরো' হায়না য়াইফ থৌজাল পীবিবদগী মচাসি ফংজখিবনি। মমিংদি 'থোই-থোইবা' হায়না মিংথোলজরবা নুংশিজরবা, ফজরবা মচানুপাসি হৌজিক মশাগী চহী ৫মুক শুরে। মসিগীদমক তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌ অমদি ইপুধৌ মমতাবু হায়নীংঙাই লৈতনা তৌবিমল খঙবা হৌজিক ফাওবদা উৎচরি।

অনীশুবদা, লিলোং অরাপতি ময়ায় লৈকায়দা লৈবা য়াইখোম সুর্জিৎ সিংহ অমদি য়াইখোম ওংবী সোফিয়া দেবী অনীগী মচা নুপা নুংশিরবা অঙাং 'শাইয়োনবা' হায়না মিংথোনবা নুপামচাসি মচে অনীগী মতুংদা মখোয় মতৈ মনাও অনীগী ওইনা শাগৈগী কাঙখুল মুৎলগদ্রা হায়না য়াম্না ৱানা লৈরম্বদগী তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌদা ইপুধৌ মমতা চনুগী খুথাংদা নিজবদা লাইশ্রম মমতা চনুনা 'শেম মপুম অমদা কাল্লবা মতুংদা ইপুধৌগী শঙলেন লৈফমদা মমা সোফিয়ানা ৱা অমত্তা ঙাঙদনা শেমগী মশা পূম্বা চাগদবনি-মরূনচিংবা ফাওবা করিমত্তা হুন্দোকপা য়াদে' হায়রগা পীজরবা মতুংদগী মচে অনীগী মতুংদা অহুমশুবা অঙাং ওইনা নুংশিরবা নুপামচা 'শাইয়োনবা' হায়রিবা নুপামচাসি ফংজবদা হায়নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইজবা ফাওবগা লোয়ননা ইপুধৌ খুমন অমদি ইপুধৌ মমতা চনুবু পুন্সি চুপ্পদা কাউরোই হায়বসি মখোয় মতৈ মনাও অনীগী লেংদ্রবা ৱাফমনি।

অহুমশুবদা, খুরাই থাংজম লৈকায়দগী থৌদাম বিনোয় সিংহ অমদি থৌদাম ওংবী তম্ফাসনা দেবী অনীগী চউমখিবদা ঙাইরিবা নুংশিরবা অমদি মশক মতৌ চঙখোল্লবা 'লোয়ুম্বা' হায়না মিং থোল্লবা নৱাসিসু অনীশুবদা তৌখিবা অদুম হায়না মমা তম্ফাসনাদা শেম মপূম অমদা ইপুধৌ মমতা চনুনা ইপুধৌ খুমনগী মতিক ময়াই কাল্লগা পীজখিবদগী 'লোয়ুম্ববু' মপারি ওইনা ফংজখিবনি।

অইবগী মায়কৈদগীসু মীথোয় মীহেনবা অমমম ওইবা ঙম্ববু ইপুধৌ খুমননা থৌজাল ললকুবিবগা লোয়ননা পুন্সি নুংশাংববু নৱা পারিশিংসিদা পীনবিয়ু হায়নসু থৌনিজরি। মতাংগী মতুং ইন্না ইপুধৌ লাইশ্রম মমতা চনু, ককৱা লিলান্দো লম্পাক মমাঙদা লৈবীগী মরাং য়াইদা চৎলুবদা লাইপাউ লৌবা লাকপীশিংনা তোয়না অইবগী লৈফমগী মরমদদি ইপন পনবা থেংনদে, হাপহঞ্জনীংই হায়মনবসিগী য়েংলগা/খল্লগা মপূং ফানা 'সোরাম ইবোহল লূৱাং, সেগা রোদ, তখেল্লম্বম লৈকায়, টিদ্দিম লম্বীগী হেক মপান' হায়না ঙসিদি হাপচরে।

ইপুধৌ মমতা চনুনা চংলুরবা মতুংদা হান্না ওইরম্বা ইমুংগী ফীভমদা অওনবা কয়াম থুনা ওইরকপগে হায়বগী মতাংদনা নিংথৌজম জয় সিংহ, শিংজমৈ মখা ওক্রম লৈকায়দা লৈবসিগা নিংথৌজম ইমোতোম্বা সিংহ মখোয় অনীমক হেক পোকমিন্নবা মচিন-মনাওনি। অনীমক্কী অপোকপীনা নিংথৌজম ওংবী বীনো দেবী কৌই। নিংথৌজম জয় সিংহনা ইপুধৌ খুমনগী শঙলেন শাবা হৌগৎলকপদা সিমেন্ট খরা কৎপীদুনা মতেং পাঙবীরকখিবদগী ইপুধৌগী অঙকপা মতিক ময়াই ওইনা ইপুধৌ মমতা চনুনা চহী অমগী মনুংদা মথোল লোংবা য়ূম শাজবা, চহী অমগী মনুংদা ঙমহনবীগনি হায়খিবসি থা ৮গী মনুংদা শাবা লোইখি। ইপুধৌ মমতানা য়ূমদুদা চৎনীংবদগী চঙলুরবা মতুংদা ফগৎলকপদগী ঠিকা তৌবদা কান্নবা ওইরকপগা লোয়ননা হৌজিক্তি পাৎশোইদা চেক্লোন অমসু তৌবদগী মীয়াম্না শক খঙনবা অমা হায়বদু ওইবা ঙল্লে। মচানুপী অহলসু মপান লমদা ডোক্তর তমহনবা ঙল্লে।

মনাওনুপা নিংথৌজম ইমোতোম্বা হান্না অফং অফংবা থবক শুদুনা য়াম্না ৱানা পুন্সি লেল্লম্বসি মচননুপী বিবি (হান্না মমাঙগীদসু য়াওখ্রবসি) মশাগী অনাবা ইপুধৌ মমতানা লায়েংবিবদগী ফখিবদগী তোয়না লাকপা হৌখিবদগী ইপুধৌগী মফমদা লাইপাউ লৌজবদা পুলিসকী ফিজোল শেৎপা উহনবীরকপদগী পুলিস ওইনা থবক চঙনবা তৌ হায়না তাকপীবদগী শেল ইতিং তিংদনা থবক খনখিবদগী হৌজিক্তি মতম মতমগী মতুং ইন্না ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পিগীদা এস্কোর্ট ওইনা চৎপা য়াওরি হায়না ফোঙদোরকই।

থবক চঙলবা মতুং, মতম ইকান কান্নদনা নয়ুমসু ইপুধৌনা শাগৎপীনবা শিনবিগনি শাগৎলু হায়বদগী মথোল অনী লোংবা য়ূমসু মতম য়াম্না তেনবা মতমগী মনুংদা শাবা লোয়দুনা, ময়ূম হন্দক পাল্লে। হন্দক চৎলিবা চহী ২০১৭কী ইঙা থাদা ইপুধৌগী হিয়াং হিরেন লৌখৎপগী থৌরমদা শেলগী অচৌবা মতেং পাঙলকখি। ইপুধৌনা পেনবিবদগী মচা অমসু ফংজদৌরে হায়না পাউদম্লকই।

মথক্কী অসিগুম্বা মচা ফংখিবা, নুংঙাই য়াইফবা ইমুং ওইখিবা কয়া অমা লৈখ্রে। মসিবু তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী অঙকপা অমদি অহকপা মতিক ময়াইনি করম্না হায়নীংলোইদগে?

'তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌনা য়াইফরে'।

# অরাকান লৈবাক্তা পু অহুম চাইনবা

**পি ইবোয়াইমা**

বৃটিশকী মতমদা অরাকান হায়না খঙনরম্বা, ম্যান্মারনা নীংতল্লবা মতুংদা রাখাইন/ꯔꯥꯈꯥꯏꯟ/Rakhine হায়না ওন্থোকখিবা ষ্টেট অসিগী পাক চাওবসি ৩৬,৭৬২ স্কার কিলোমিটরনি। লমদম অসিদা হৌজিক থোক্লিবা হাৎন-শুনবগী ঈরাং অসিগী মরুওইবা শাংলবা ৱারীশিং লৈ। অরাকান লৈবাক অসি নিংথৌ কয়া পানখিবা অরিবা লৈবাক অমনি। হৌজিক্কী ম্যান্মারগী নোংচুপ মায়কৈদা, ইপাক-ইরেল বে ওফ বেঙ্গলগা মাগী লমখৈ তঙ্খায় অমগী ময়াদা তাইনরি। নীংতম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইরিঙৈদা বর্ম্মাগা অরাকানগগী মরক্তা অচৌবা চীংশাং অরাকান য়োমা লৈবনা মরম ওইদুনা কয়া নকশিন্নখিদে। ১৫শুবা চহী চা অদুৱাইদদি বেঙ্গলগা ললোন ইতিক অমসুং লান্নচিংবা কয়াদগী য়াম্না নক্লবা মরী লৈনখি। ১৪২৯-৩৩ এ দি ফাও পানখিবা অরাকান নিংথৌ সো মোননা বেঙ্গালদা চেন্দুনা চহী ২৪ লৈরুরবা মতুং বেঙ্গালগী সুলটান নিংথৌগী লান্মীগী মতেংগা লোয়ননা মতমদুগী অরাকানগী কোনুং Mrohaung গী ফম্বাল অমুক হন্না ফংবা ঙমখি। মতমসিদা লাকখিবা মুসলিমশিং অদু মফম পীদুনা খুন্দাহনখি। ১৯৬০ এ দিদা মুগল নিংথৌ শাহজানগী মচা শাহ শুজা অমসুং Aurangzeb অনী খৎনবদা Aurangzeb না ঙমখিবদগী শাহ শুজা চেল্লক্তুনা Mrohaung দা চংজফম লৌদুনা লৈখি। অদুবু শাহ শুজানা মফম অসিদা অমুক লান হৌরকপদগী অরাকান লমদমদা মুগল মুসলিমগা অরাকানগী মরক্তা হাৎন-শুনবগী থৌদোক লৈখি। মতম অদুৱাইদগী মুগল মুসলিমশিং অরাকানদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈবা হৌরকখি। অদুবু হৌজিক ꯔꯣꯍꯤꯉ꯭ꯒꯥ/রোহিংজা/Rohingya মুসলিম অমসুং ম্যান্মার বুধিষ্ট হায়দুনা হাৎন-শুনবা থোক্লিবা অসিদি অদুগুম্বা মুগল মুসলিমশিং অদু নত্তে।

নিংথৌ পাল্লিঙৈ তাঙ্কক খরদা বর্ম্মনশিংনা অরাকানদা লান্দাবা লৈখি। ১৭৮৪ এ দিদা বর্ম্মাগী নিংথৌ Budophaya না অরাকান্দা লান্দাদুনা অরাকান নিংথৌ থমাদা ফাদুনা মহাক্কী মীয়াম লিশীং কুন্থ্রাগা লোয়ননা অৱা কোনুংলোমদা পুরক্তুনা থমখি। মতম অসিদগী অরাকানবু বর্ম্মাগী মখা পোনবা লৈবাক ওইনা থমখি, অমুক হন্না অরাকান নিংথৌ পানবসু ঙমখিদে। অদুবু মতম অমদা ঈশিং লানগী হৈশিংবা পাঙ্গল কনবা কাঙলুপ অমা ওইরম্বা অরাকানশিংনা বর্ম্মাগী মথক্তা হুয়েনলান চত্থবদি অদুমক লেপখিদে। অহানবা এঙ্গলো-বর্ম্মিজ লান ১৮২৪-২৬তা বর্ম্ম মায়থীবগা লোয়ননা ত্রিটি ওফ য়ান্দাবো তৌনদুনা অরাকানবু বৃটিশনা লৌশিনখি। বৃটিশনা লৈঙাক পায়বা মতম অসিদা অরাকানগী লৈহাও চেল্লবা লম কয়াদা থবক শুনবা বেঙ্গলদগী অহোংবা শিন্মী কয়া লেপ্তুনা পুশিল্লকখি। হায়রিবা মতম অসিদা মুসলিম বেঙ্গোলিগী মশীং য়াম্না হেনগৎখি, লোয়ননা মখোয় মশানা রোহিংয়া হায়বা শক্তম অমা শাগৎলকখি। রোহিংয়া হায়রিবা মমিং অসি ম্যান্মার লৈঙাক্লা শক-খঙবা পীদ্রি, মুসলিম বেঙ্গোলি হায়না অদুমক হায়রি। অনীশুবা লাঞ্জাও মতমদা জপান্না বর্ম্ম পায়শিল্লকখিবা মতমদুদা জপান অমসুং বৃটিশকী মায়োক্তা লৈবা অরাকানশিং থেংননবা বৃটিশনা মুসলিম বেঙ্গোলিশিং অসিদা খূৎলায় পীদুনা Rohingya Volunteer Forces (V-Force) অমা শেমখি। বৃটিশশিংনা অরাকন্দগী হন্দোকখিবা মতম কুমজা ১৯৪২দা হায়রিবা রোহিংয়া বেঙ্গোলি খূৎলায় পায়বশিং অসিনা জপান থেংনবগী মহুত্তা লমখৈদা লৈরিবা Maungdaw township তগী অরাকানগী কোনুং Sittwe রোমদা লৈরিবা টাউনসিপ অনী Buditaung অমসুং Rathetaung অসিদা Rakhine লিশীং কুনমুক হাৎপগা লোয়ননা Budhist monasteries, pagoda অমসুং য়ূম কয়া মাঙ তাকহনখি, অদুগা Rakhine না মশীং য়াম্বা লমদমশিংদা বেঙ্গোলি লিশীং মঙামুক হাৎখি হায়বগী পাউদম লৈ। ১৯৪০ দা রোহিংয়াশিং অসিনা তোঙান তোঙানবা ঈহৌ অমা শাগৎতুনা নোংচুপ থংবা বর্ম্মাগী মায়ুম লমদম অসি পাকিষ্টান্দা পূনশিনবীনবা Muhammad Ali Jinnah দা হায়জখি, অদুবু Jinnah না বর্ম্মাগী হীরমদা খূৎ থিংজিনবা য়াদে হায়দুনা য়ারকখিদে। রোহিংয়াশিং অসিগী তাঙ্কক কয়াদা খূৎতালি পায়বা ঈহৌ কয়া চত্থদুনা লাকখি। ১৯৪৮দা মুজাহিদ পার্টি, ১৯৭২ দা রোহিংয়া লিবরেসন পার্টি (আর এল পি), ১৯৭৪দা রোহিংয়া পেত্রিওটিকফ্রন্ট (আর পি এফ), ১৯৮২ দা রোহিংয়া সোলিদরিটি ওর্গেনাইজেসন (আর এস ও), ১৯৯৮দা অরাকান রোহিংয়া নেসনল ওর্গেনাইজেসন (এ আর এন ও) মসিগী লান্মী রোহিংয়া নেসনল আর্মি (আর এন এ) নচিংবা লূপ কয়া অমা, থুপচিনখিবা মতুং অম'মুক শেমগৎলক্তুনা ঈহৌ চত্থরকখি। হায়রিবা ঈহৌশিং অসি ম্যান্মার লান্মীনা অয়াম্বা নমথখি। ২০১৬ ওক্টোবর ৯দা ম্যান্মার বোর্দর পোষ্টশিংদা শকখঙদবা লালহৌবা চা কয়ানা "লান্দা চত্থখিবা অদু Harakah al-Yakin কৌবা লূপ অমননি হায়দুনা শেংদোরকখি, মসি অরাকান রোহিংয়া সালভেসন আর্মি (এ আর এস এ) হায়নসু খঙনরি। রোহিংয়াশিং অসিনা লেপ্পা লৈতনা ঈহৌ চত্থবা ঙল্লকখিবা অসিমক মালেমগী লৈবাক কয়াগী মুসলিমশিংদগী মতেং ফংবগী মরম অমসু ওইরি।

রোহিংয়াশিং অসিনা ঈহৌ অমুক-মুক হৌরকপা মতমদা খ্বাইদগী লাইবক থিবা ওইরিবদি লমদমসিগী লৈহৌমী ওইরিবা Rakhine, Mro/Myo, Thet, Maramagyi, Daingnet, Khamui শিং অসিনি। লালহৌবশিং অসি ম্যান্মার লান্মীনা মখোয়বু নমথবগী লান অমা চত্থক্ত্রিঙৈ মরক অসিদদি হায়রিবা লৈহৌমীশিং অসিবু তমথিনা হাৎপীবা, নুপী কয়া নমদুনা ফমলানবীবা, য়ূম অমসুং বুধগী লাইশঙ তুম্না মৈ থাদোকপীরি। হন্দক্কী চত্থরিবা লান অসিদদি হিন্দু বেঙ্গোলিশিং য়াওনা হাৎপা অমসুং য়ূমশিং মৈ থাখি। হান্নদগী খুন খরখক্তা ঙাইজরিবা লৈহৌমীশিং অসি ময়ূম মকৈ তাক্তুনা মথৱায় হিংনবা লাঞ্জেন্দুনা মশাগী লমদমদা লাঞ্জেনবা (রিফ্যুজি) ওইরি। হায়রিবা মরায়বক থিরবা লৈহৌমীশিং অসিবু মালেমগী লৈবাক অমত্তনা মশক খঙবিদ্রি, মখোয়গীদমক লাউবীনবা কনাসু লৈত্রি। Rakhine শিং অসিদি বর্ম্মাগসু মতম কুইনা লানশিংনরকপা কাঙবু ওইরকপনিনা মখোয়গী নীংতম্ববুসু নমথবীদুনা লাকখিবনি। মতম কয়াগী মমাঙদগী অরাকানশিং অসিগীসু লালহৌলুপ অরাকন লিবরেসন পার্টি (এ এল পি) হায়দুনা ম্যান্মারগা লান্থেংনরকখি, মতুং তারকপদা অরাকান আর্মি (এ এ) হায়বা অমা শেমলক্তুনা হন্দক চহী খরা অসিদা ম্যান্মার আর্মিগা লান্থেংনবগী পাউ কয়া তানরি।

হৌজিক মালেমগী মীৎয়েং চিংশিল্লক্লিবা অসিদি ম্যান্মার আর্মিনা রোহিংয়া লালহৌবশিং অসিবু নমথবগী চঙশিল্লকপা মতম অসিখক্তদনি। রোহিংয়া খুন অয়াম্বদগী লালহৌলুপ অসিদা য়াওবা অমদি খুনশিংদা লৈশিনবনিনা, ম্যান্মার লান্মীশিং অসিনা লৈরম-লৈরম্বা পুল্লপ তকখায়রকপনি, য়ূম তুম্না মৈ থারি, কনানা লালহৌবনো, কনানা মীচমনো খন্দোকপা ঙমদবনিনা থেংনবা খুদিংমক কাপথরকপনি। মদুদগী খা-রাই খঙদনা মরুওইনা য়ূমথংনবা বংলাদেশতা চেনশিনখিবশিং অদুদনি মালেমগী মীয়াম্না মরুওইনা মুসলিম লৈবাক্লা লাউনরক্লিবসি। ম্যান্মারগা শক-চুদদি মান্নরিবা ইন্দোনেসিয়া অমসুং মালেসিয়নশিংনফাও লাইনীংগী মরীদগী রোহিংয়া মুসলিমশিং অসিগীদমক কন্না লাউবীরি। লাইনীংনা পীরিবা মরী অসি কয়াদা কনখ্রবনো। রোহিংয়াগী লালহৌবশিং অসিনা মঙম লৈনা ঈহৌ তৌরিবা, হন্দক্কী ম্যান্মার সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা লান্দাবা হৌখিবা অমদি Rakhine মীচম কয়া হাৎলিবা অসি বংলাদেশকা তাইনবা অরাকন ষ্টেটকী Maungdaw দিষ্ট্রিক্ট অমদি মসিগী কোনুং ওইরিবা Sittwe গী Rathedaung township হায়রিবা মফমশিং অসিদনি। হৌজিক অরাকান ষ্টেটকী অপূনবা মীশিং ২০১৪ মীকোক্কী মতুং ইন্না ৩,১৮৮,৮০৭ নি, মসিদা রোহিংয়া বেঙ্গোলিশিং অসিনা ১,৩০০,০০০ মুক ওইদুনা মীশিংগী চাদা ৪০ মুক ওইরি। হায়রিবা অসিদা মালেমগী লৈবাক খরদা লাঞ্জেন্নখিবা অমদি মপান লমদা থবক শুবা নৎত্রগা শাথুপ্তুনা লৈখিবা রোহিংয়া ১,০০০,০০০ মুক লৈরি, মসি থারগা পারবদি অপূনবা মীশিংগী চাদা ৬২ মুক লৈ হায়না পারি। রোহিংয়া মুসলিমশিং অসিনা অরাকানগী লৈহৌমীগী মীশিংদগীদি য়াম্না হেনখ্রবনি। Maungdaw দিষ্ট্রিক্ট অসিদদি রোহিংয়া মুসলিম অসিনা চাদা ৯৮ ওইখ্রে। Maungdaw গা তাইনবা Sittwe গী টাউনসিপ অমা ওইরিবা Rathedaung অসিদগী Maungdaw ফাও অসিদা রোহিংয়াশিং অসিনা চাদা ৮০দগী ৯৮ ওইখ্রে। অপূনবা বর্ম্মাগী মীশিংদা য়ামজদবা হায়জরগসু অরাকান ষ্টেট অসিদদি রোহিংয়াশিং অসিনা মীশিং য়াম্বা ওইখিদুনা, মশাগী মরমদমদা Rakhine শিং অসিনা মীশিং লিকপা ওইহৌবতা নত্তনা থেঙ্খাং কয়াদা রোহিংয়াশিং অসিনা Rakhine অসিবু পুল্লপ মুখৎনবা তৌখিবা কয়া লৈখ্রে। মতম খরগী মমাঙদা Sittwe ময়োল্লম অসিদসু রোহিংয়াশিং অসিনা মীশিং তঙ্খাই হেন্না হেনখিদুনা ললোন ইতিক্কী মফমশিং পোৎ য়োনফমশিং অয়াম্বা পায়শিনখি। ২০১২ দা রোহিংয়া নুপা অহুম্না Rakhine লৈশাবী অমা ফমলানবীরবা মতুং মীহাৎ থিনা হাৎতোক্লবদগী কাঙলুপকী ঈরাং চাউনা থোকখি। মতম অদুদা Sittwe দা লৈরিবা রোহিংয়াশিং অমত্তা খাক্তনা Rakhine শিংনা তান্থোকখিদুনা য়ূমদাংলবশিংদগী Sittwe বু কলহৌবা ঙমখি। অমরোমদা রোহিংয়াশিংগী কা হেনবা শাজৎ কয়া য়াওরবসু, মখোয়সু মীওইবা অমা ওইবগী নীংতম্বা হায়বদুদি ফংদনা লাকখিবনি। বংলাদেশ লোমদগী হৌরকখিবা ওইরবসু হৌজিক্তি বংলাদেশতা মখোয়গী ফংফম করিসু লৈত্রে, ম্যান্মাররোমদসু য়ূমদাংলবশিংনি হায়দুনা চপ চাবা মীওইবগী হক ফংদনা লৈরিবা কাঙলুপনি। মখোয়গী মফম তাল্লকপদনি লৈহৌমী Rakhine শিংনা নংলিবা অৱাবা। Maungdaw দিষ্ট্রিক্ট অমসুং Sittwe গী টাউনসিপ খরা অসিদদি Rakhine শিংনা অমুক হন্না মখোয়গী লমনি হায়দুনা হায়জিনবা ঙমলোইদবা ফীভমদা লৈখ্রে।

**মরোল থোকপা লাই**

